লিগেল এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট লেভেল লিগেল সার্ভিসেস ইম্ফাল ইষ্ট ইন দি এসোসিয়েট হেল্প সেল্ফ ইমপ্লোয়ী ত্রাইবেল এন্দ বেকৱার্দ ৱিমেন এসোসিএসননা শিংদুনা ঙসি কোংপান চীঙ্গাঙবম লৈকায়দা লৈবা ইবুধৌ য়াঙ্গোন নিংথৌগী শঙলেনদা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহিলা যোগ পতাঞ্জলি সমিটিগী এদভাইজর সলাম উলকা, মহিলা যোগ সমিটিগী প্রধান এন নিলিমা, লনলৈবী ৱিমেন কোওপরেটিব সোসাইটিগী সেক্রেটরি ময়াংলম্বম মুখরানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা রিছোর্সপার্সন ওইনা রিটয়ার্দ হেদ মাষ্টর য়ুম্নাম ইতোনা ৱিমেন্দ এন্দ লোগী মতাংদা অমসুং এদভোকেট লৌরেম্বা নোংশাঙম্বনা মোব জষ্টিস এন্দ সাইবর ক্রাইম হায়বা হীরমশিংগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

জর্দা, খৈনি মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী এদিস্নেল এস পি এম কুমারজিৎনা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ রোম তাবদা চেক্কোন মনাক্কী মনা ইঙ্খোলদা থি-হুন্বা চথবা লৈঙাক্লা বেন তৌখ্রবা জর্দা অমদি খৈনিনচিংবা হীদাক মনাগী লুপা লাখ ১০ রোমগী পোৎলমশিং লোৎতুনা থম্লম্বদগী ফাগৎলগা মীওই ৭ না পুলিসনা ফারগা মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথনবা পুলিস ষ্টেসনদা পুখ্রে অদুগা ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুনা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

‘ফল্লানবগী কেসতা উকিল তোয়না শিনবা, চাং নাইনা কাদবনা জষ্টিস দিলে ওইহল্লে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা পাম অমদা থবক শূদুনা লৈবী চহী ৬০ রোম শুরবী নুপী অমা ফল্লানবদা চেন্নবা মীওই পুলিসনা ফাগৎখ্রবসু ঙসি ফাওবা চৈরাক ফংদনা লৈরি। থৌদোক অদুগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা কেস চথবদা এক্যুজগী উকিল তোয়না শিনবা অমদি চাং নাইনা লাক্তবনা কেস অসি জষ্টিস দিলে ওইহল্লে হায়না জে এ সীগী কনভিনর য়োয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা মখা তানা হায়খি, কুমজা ২০১৩ জুন ১৭ তা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা অন্তেলোক সোমরৈ পামদা মীয়ায় চল্লবী চহী ৬০ রোম শুরবী নুপী অমা মথন্তা পামদা থবক শূদুনা লৈরিঙৌদা এম দি সনায়াই (৩০) কৌবা ময়াং ইম্ফাল ইরোংদগী লাক্লগা ময়ায় কৈথেল য়াইরিপোক্তা লৈরম্বা অসিনা মী চিকপগী খুদোংচাবা লৌরগা অহল অসি নমদুনা ফল্লানবীখি হায়রি। মসিদসু নত্তনা নুপী অদুগী পামদা পুরকপা শেল খরসু নুপা অসিনা লৌবীখি হায়রি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা নুপী অদুগী ইমুং মনুংনা য়াইরিপোক পুলিসতা ৱাকৎলকপদগী চেন্নরিবা নুপা অদু য়াইরিপোক পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখি। নুপা অদু পুলিসনা ফারবা মতুংদা হৌজিক জেলদা লৈরি। অদুবু থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা চার্জসীট অমা থাঙ্গৎতুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চীফ জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা কেস চথদুনা লাক্লি। অদুবু এক্যুজগী মায়কৈদগী মখোয়গী উকিল তোয়না শিনবা অমদি কেস থোকপা নুমিৎতসু চাং নাইনা লাক্তবা অসিনা অহল ওইরবী ভিক্টিম অসিনা কেস অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

কেস অসি পায়খৎনবা হোৎনবদা অহল ওইরবী নুপী অসিগী খুলগী অকোয়বদা লৈবা নুপীশিংনা শেল খায়নরগা এক্যুজ অসি মতীক চাবা চৈরাক ফংহনবীনবা ঙসি ফাওবা হনবা লৈতনা কন্না হোৎনরি। ভিক্টিম ওইরিবী নুপী অসি চহী য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা ৱাখলগী লায়না অমদি হৌজিক অরুবা লায়না অমা লোয়নদুনা লাকপনা কেস অসি জষ্টিস দিলে ওইহল্লে হায়দুনা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি।

মরম অদুনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লসু ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট লিংখৎনবগী অয়াবা লৈরবনিনা অথুবা মতমদা কেস অসি মপুং ফানা চথবগা লোয়ননা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱাদ) কী জেনরেল সেক্রেটরি সোবিতা মোংশাতাবমনা ফোঙদোকখিবদা, অহল ওইরবী ভিক্টিম অসিদা নমদুনা ফল্লানখিবা মীওই অদু অথুবা মতমদা চৈরাক ফংহনবা ভিক্টিমনা পাল্লি। মহাক মশাসু অরুবা লায়না অমা লৈবনা মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা মরাল লৈবা মীওই অদু মতুংদা অসিগুম্বা ফত্তবা থবক অসি লমদম অসিদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা অকনবা চৈরাক পীনবা হোৎনহন্নিংই। মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা শেল খরা ভিক্টিমদা মতেং ওইনা পীখি।

এগ্রীকলচর মিনিষ্টর, দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংবু ওৎপি-নৈবীরে : বি কে মঙাঙ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : হন্দক লোইশিনখিবদা ঙাইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীফম অমদি পাউচেশিংদা এগ্রীকলচর মিনিষ্টরনা লৌমীশিংদা হারগী অৱাৎপা লৈহল্লোই হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন ফোংখ্রবসু ঙসি ফাওবা হার ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়না ওল মোইরাং য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি বি কে মঙাঙনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা মখা তানা হায়, চহী ১ গী লৌ-উবগী পোথোক পুথোক্লবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা তাঞ্জা অসিদা লৌমীশিংদা মথৌ তাবা হার মরাং কায়না পীবা ঙমদবগী মরম লম্বী-থোংগী ফীভমদা তাইশিন্নবদি য়াফম থোক্তে। মণিপুরগী নেসনল হায়ৱেশিংদি চহী ১ গী ৱাদা নত্তনা নোংজুথা খূদিংগী অৱাবা লৈ হায়বসি মরী লৈনবা লোয়শঙনা খঙজিনবগা লোয়ননা মাঙজৌননা মথৌ তাবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি। হীরমসিদা ওফিসরশিংদগী হৌরগা মরী লৈনবা মিনিষ্টর ফাওবগী থাক্তা অমোৎপা খরা লৈত্রা হায়বগী চিংনদবা ঙমদে।

এগ্রীকলচর মিনিষ্টরনা লৌমীশিংগী হার ৱাৎতনবা পীগনি হায়দুনা লাউৱল্লগা দিপার্টমেন্টকী গোদাউন্দনা বেগ ২০০ ফাওবা লৈতবগী মরম শেংদোকফম থোকই। মতম কয়া কায়থোক্তুনা হার লৌবা লাকপা লৌমীশিংদা ঙসি-হয়েং হায়দুনা ঙাইহাক্কী ঙম্ন-ঙম্নবা মতম থাদুনা লায়রবা লৌমীশিংবু ওৎপীরগা মতম হেল্লবা কান্দা হার পীবগী কান্নবা লৈতে হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মতীক ময়াই লৈবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংনা হার পুরকপা গাড়ীশিং লম্বীদগী থৎতুনা মুল্লগা পুনবগী পাউশিংসু নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংদা ফোঙনরি। অনৌবা লৈঙাক অসিদা মীচম-মীয়াম্না থল্লম্বা থাজবা মাঙহনবনি। বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না থল্লম্বা থাজবা নোংমা-নোংমগী মাঙশিল্লকপগুম তৌরিবা অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীনবা মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবীদনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

অমরোমদা লৌদা হীদাক কাপ্নবা পম্পশিং হৌখিবা থা ২ গী মমাঙদা দিপার্টমেন্টতা মথৌ তাবা শেনফম ঙসি ফাওবা মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রে। হন্দক্কী শাথিরবা ঈচাউনা লৌমীশিংদা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্ল হল্লিবসিগী মথক্তা চহীগী মথৌ তাবা হার, পম্প, ফৌদি অমদি অতৈ পোৎলমশিং মতম চানা ফংহনবা ঙমদবা হায়বসি লৈঙাক্কী পোলিসী প্রোগ্রাম অমদি মেনেজমেন্ট হৈতবগী নৎত্রগা লন্নাই শেন্দোং তানবা হোৎনবদগীনি হায়বদা লাল্লোই হায়রি।

লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরিবশিংনা মীয়াম অৱাবা তারবা মতমদা থৌদাং লৌবা ঙমদ্রবদি মোরেল গ্রাউন্দদা মশা-মশানা ফম থাদোকফম থোকই। মসি নৎতদুনা মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাক্কী মতৌগুম্না ইশানা পায়রিবা ফমবু মপুনা ঐগীদমক্তা পীবিরকপা মমল য়াম্লবা লন্নি, খুদোংচাবনি খন্দুনা মতীক চাবা-চাদবা খঙদনা য়োংনা চু কোনবগুম কোনশিল্লগা অদুম লৈবনদি অনৌবা অমদি অরিবা লৈঙাক্কী খেন্নবা লৈরোই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ওপরেসন চথখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ওগষ্ট ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমগী মাঙওইননা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পুলিসনা থি-হুন্বা চথখ্রে। লোয়ননা শক্তাক চে য়াওদবা মীওই কয়া ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক অঙনবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি হাওবিজম যোগেসচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৪ অমদি ৮ গী অকোয়বদা থি-হুন্বা চথখ্রে।

থি-হুন্বা চথখিবা অদুদা চহী ১৮ দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং য়ুম-য়ুমদগী কৌথোক্লগা শক্তাক চেশিং পুথোক্লগা মশক খঙদোকখি। ওপরেসন অদুদা মণিপুর পুলিসকী দি এস পি (ওপস) পি শঙ্কর অমদি এস দি পি ও বিনোই চোংথাম্না লুচিংদুনা চথখিবনি।

ওপরেসন অদুদা মশাগী শক্তাক-চে য়াওরমদবা অমদি চিংনবা মীওই অহুম ফাগৎলগা মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথনবা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসন্দা পুখ্রে হায়রি।

মরকসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনসু ঙসি অয়ুক কাইরংদা লৈবা য়ুম ৩৫০ রোমদগী নুপা-নুপী মীওই কয়া কৌথোক্তুনা ৱাহং-পাউহং তৌদুনা ওপরেসন চথখ্রে।

ওপরেসন অদুদা মশাগী শক্তাক চে য়াওরমদবা মীওই ১১ মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মরকসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনসু ঙসি অয়ুক ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা থি-হুন্বা চথখ্রে।

য়াইরিপোক পুলিসকী টিম অমনসু চরাংপাৎ এরিয়াদা পাক-শন্না থি-হুন্বা চথখ্রে হায়রি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি কম্মান্দোশিংনসু জিরিবাম এরিয়াদা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা থি-হুন্বা চথখি। অদুবু মীফা-মীপুনদি য়াওখিদে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনসু পাৎশোই পার্ট টু মখা লৈকায়দা থি-হুন্বা চথখ্রে। বিষ্ণুপুর পুলিসনা বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর ৱান এরিয়াদা থি-হন্বা চথখ্রেসু হায়রি।

ওপরেসন অদুদা নুপা-নুপী ৩০০ লোম ময়ুমদগী কৌথোক্লগা ৱাহং-পাউহং চথখি। চহী ১৫ দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং ৱাহং-পাউহং চথবা অদুদা মশাগী শক্তাকচে য়াওদবা মীওই ৩/৪ নত্তনা অতৈদি থাদোকখ্রে হায়রি। পুলিসনা চথরিবা থি-হুন্বগী দ্রাইব অসি থা অসিগী ১৫ ফাওবা লেপ্তুনা চথখিগনি হায়রি।

চীং নিঙ্খায়বদগী জেসামী অমদি উখ্রুল লম্বী ফাওনদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস) : নেসনল হায়ৱে ১৩০ জেসামী লম্বীদা ঙরাং নুমিদাং খঙহৌদনা জেসামীদগী কিলোমিটর ৬৫ রোম চৎলগা লৈবা মাইরে ভিলেজ অমদি মরামফুঙ খুলগী মরক্তা লম্বীগী নাকন্দা ফিট ১০০ রোম চীং নিঙ্খায়রকপদগী হৌজিক উখ্রুল অমদি জেসামী লম্বী ফাওনদ্রে হায়রি।

হৌজিক চীংদা নোং চিফেৎ-চিফেৎ তাবনা মরম ওইদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জেসামী লম্বী অসিদা খঙহৌদনা চীং নিঙ্খায়রকপনা লম্বী চৎপদা অপনবা ওইহল্লে হায়রি। ঙরাংদগী নিঙ্খায়রকখিবা লম্বী অদু ঙসি ফাওবদা বি আর টি এফ অমদি পি দব্লিয়ু দিনা লম্বী শেংদোকপগী থবক কন্না চথরি হায়রি।

তাং ১৩, ওগষ্ট ২০১৭ ইং, অথৌবশিংগী নুমিৎ

এমঃ ডিঃ য়ু-গী

টিকেন্দ্রজিৎ

মতম : নুংথিল পুং ৪:৩০

অইবা : শৌগাইজম বিরেন্দ্র সিংহ।
দিরেক্টর : হিজম শ্যাম সিংহ।
এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর : পি সেতু।

এডভান্স টিকেট থাজরে

HL-P/2494/12&13

শরুক য়াবীয়ু! শরুক য়াবীয়ু!

70TH MANIPUR INDEPENDENCE DAY AUGUST 14

Celebrate The Spirit of Freedom

VENUE : SANA KONUNG

Organised by :
CIRCA Coalition for Indigenes' Rights Campaign Manipur

HL-C/57/11,12&13

J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
POROMPAT, IMPHAL EAST

NOTIFICATION

Imphal, the 11th August, 2017

No. 01/ESTT./Equipment/JNIDS/JNIMS/2016 : Sealed tenders are invited from qualified bidders for supply of medical equipments for J.N. Institute of Dental Sciences. The Eligibility criteria, terms and conditions, instructions to the bidders, etc. may be downloaded from **www.manipurtenders.gov.in** and **www.jnims.in.**

Sd/- Director,
JNIMS, Manipur

HL-B/4073/12

OFFICE OF THE
KONTHOUJAM BLOCK CONGRESS COMMITTEE
IMPHAL WEST-I, MANIPUR

অৱাবা ফোঙদোকচরি

হৌখিবা চৈচৎ ৭/৮/২০১৭ কুমজা, নিংথৌকাবা নুমিৎতা Konthoujam Block Congress Committee, Imphal West-I গী Office Secretary ওইনা থৌ পুবীরম্বা মৈত্রম **ইরাবোত**-না মনুং-মতম চাদনা মপু মাগী শিন্থা লোইরদুনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরূপ-মপাং পুন্নমকপু থাদোক্লমদুনা মপুগী খুয়াদা তিনখ্রে।

মহাক্লা লৈখিদবা অসিদা Konthoujam Block Congress Committee গী Executive Member শিংনা মীনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা মহাক্কী য়াইবি-থৱায়না মপুগী খুয়াদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তা থৌনিজবগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকচরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :
Executive Members, KBCC

HL-P/2530/12

LECTURERS WANTED IMMEDIATELY

1.	Lecturer in English	2 Nos.
2.	Lecturer in Manipuri	2 Nos.
3.	Lecturer in Home Science	1 Nos.
4.	Lecturer in Zoology	1 Nos.
5.	Lecturer in Physics	1 Nos.

Pliz Contact : 9:00 a.m. - 4:00 p.m.
9856331897, 8787328645

HL-P/2496/11,12 &13

ADMIT CARD LOST

I have lost my Admit Card of Hr. Sec. Examination, bearing Roll No. 6443 of 2017 issued by Council of Higher Secondary Education, Manipur (COHSEM) on the way between Nambol Bazar and Oinam on 25/07/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Moirangthem Binodkumar
Singjamei Chingamakha Yanglem Leikai
☎ 7423975826

HL-P/2609/12

Govt. Regd. No. 2808/2013

JOB VACANCY

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	Security, Ex-Serviceman, Supervisor	40		6000-15000
2.	M.B.A./Agent	08		10000-15000
3.	Recovery Officer Reception	10	X/Above	5000-10000
4.	Computer Operator, Driver	13	X/Above	5000-10000
5.	Attendant/House Keeping, GNM, B.Sc. Nursing, Lab Tech.	03		Negotiable
6.	Air Hostess/Flight Steward Ground Staff/Air Ticketing	18	XII/Graduate	20000-50000
7.	Agent	10		Negotiable
8.	G.P. Rating/Deck Cadet.	20	X and Above	50000-100000

♦ FIRST COMES FIRST SERVE

Date of Submission : 16/8/2017 **Date of Interview : 17/8/2017**

Call : **1. 7422978155 2. 8258993369**

Sd/- Manager,
Job Helpline and Counselling

HL-P/0666/29,31,2to14 Aug.

STATE LEVEL OPEN PATRIOTIC SONG AND RECITATION COMPETITION - 2017
"WITH BLOOD DONATION CAMP"

THEME : PATRIOTIC

Date of Competition : 13th August, 2017 (Sunday)

Time : 08:30 a.m. (Reporting)
- 09:30 a.m. (Starting Time)
- Venue - Centenary Hall, Manipur University
- Last Date of Registration - 12th August 2017 (MUSU Office, Before 03:00 p.m.)
- Registration - Free
  Cash Prize + Certificate (1st, 2nd & 3rd)
  And Certificate for All the Participants.

Organised by : Manipur University Patriotic Day Observation Committee (MU)

For Further Details :
Plz Contact : **9089045116, 7005752785, 7085829521**

**DSW Office/MUSU Office,
Manipur University.**

HL-B/4071/10,11&12

য়াম্না হরাউবনে !

L. Sudhakar

ঐ **Sothingchon,** Ukhrul Kharason দগীকো ঐগী হকচাংগী য়েৎথংবা কিডনীদা এম এম ৭/৭ গী নুঙ অনী অদুগা ওই থংবদা মকুপ-মকুপ খরা লৈবনে অদুদা দাদা **লাইশ্রম সুধাকর (শামু)** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) নুঙগী লায়েংবদগী হীদাক হপ্তা অমখক চাবদগী নুঙ লৈতবনে। অল্ট্রা সাউন্দ লৌদুনা য়েংবদসু লৈতরে। মসিদা য়াম্না হরাউবনে। দাদা সুধাকর (শামু) শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, আই টি আই মনাক ইম্ফালবু য়াম্না থাগৎচৈ অমসুং ঈশ্বরদা পার্থনা তৌজরি দাদাগীদমক!

Sd/- **Sothingchon,**
Ukhrul Kharason, ☎ 8014817500

HL-P/2608/12

URGENTLY REQUIRED

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	Asst. Manager	02 (F/M)	Graduate	7000-25000
2.	Receptionist	02 (F)	XII & Above	5000-10000
3.	Accountant	02 (M/F)	XII & Above	5000-15000
4.	L.I.	02 (M/F)	XII Above	5000-15000
5.	R.O.	08 (M/F)	X Above	5000-10000

Date of Form Submission : 21/08/2017
Date of Interview : 23/08/2017
For Information please Contact : **8787799705**

Sd/- Branch Office
T.F.P. & A.M., MU 1st Gate Canchipur.

HL-B/4072./10-18 (Alt.)

মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুন্থা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোন্থা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঙখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঙ্গরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্থী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9615533737, 9856271907**
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

HL-B/3974/28/06-28/07

GRATITUDE

Ashok Kumar

I would extend my heartfelt gratitude to **Sir Ashok Kumar** as he has healed my prolonged sickness. I have been suffering from **LUMBER SPINE L4/L5/S1** for two year which makes me incapable of movements for such a long time, I could not walk and stand longer time due to acute pain and numbness of both legs all the time. However, all my physical deformities got healed after 10 days consultation at his clinic, **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal, ☎ 9612988625.** All I can pray for you is that God blessings be with you to serve long.

Sd/- **TR. Chungpa Aimol**
Loktak Project.

HL-P/2610/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 619/SDC/IW(P) of 2017
Maibam Ranbir Meetei s/o (L) Lolito Meetei of Malom Awang Leikai.
-Petitioner

-Vs-

Late Maibam Lolito Singh s/o (L) Angahal Singh of Malom Awang Leikai.
-Deceased Pattadar

NOTICE

11/08/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুথাংদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৭৮-চঙাঙ্গৈগী পাট্টা নং ৫৩১, ১১৫, ৩৩৬ (অরিবা), ৫১৭/১৭০৯ (অনৌবা) দাগ নং ৪৯০ গী এরিয়া ০.১৬ একর চাওবা অঙনফৌ লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দাকারি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখল তৌজবগী মতুং ইন্না মহাক্কী মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৯/৮/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector,Imphal West, Patsoi

HL-P/2531/12

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, IMPHAL EAST-II

Ref:- Mut. Case No. 197/AS&SO/IE-II/2017
1. Konsam Shamungou Singh s/o (L) Ibopishak Singh of Khurai Thangjam Leikai, 2. Konsam Dhananjoy Meitei s/o (L) -do- of -do-, 3. Konsam Irabot Meitei s/o (L) -do- of -do-.
... Petitioners.

-Vs-

(Late) Konsam Ibopishak Singh s/o (L) Atomba Singh of Khurai Thangjam Leikai.
... O.P. Party

NOTICE

Imphal, the 11/08/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ২৫-সোইবম লৈকায়গী পাট্টা অরিবা নং ১৫, অনৌবা পাট্টা নং ৪২, দাগ নং ৩৫৪ এরিয়া ০.০৭ একর চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি পেটিস্নরশিংনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা নামা পানবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি লাক্লিবা তাং ১৯/৮/২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরো নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা তাররোই।

Sd/- **Asstt. Survey and Settlement Officer, Imphal East-II, Manipur**

HL-P/2611/12

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, IMPHAL EAST-II

Ref:- Mut. Case No. 198/AS&SO/IE-II/2017
1. Maibam Rajendro Singh s/o (L) Nodiya Singh of Khurai Thangjam Leikai, 2. -do- Gunachandra Singh s/o (L) -do- of -do-, 3. -do- Khomdon Singh s/o (L) -do- of -do-, 4. Maibam Ongbi Premabati Devi w/o (L) Manichandra Singh of -do-.
... Petitioners.

-Vs-

(Late) Maibam Nodiya Singh s/o (L) Acka Singh of Khurai Thangjam Leikai.
... O.P. Party

NOTICE

Imphal, the 11/08/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ২৫-সোইবম লৈকায়গী পাট্টা অরিবা নং ৪৯, ৯০, অনৌবা পাট্টা নং ৩৩৯, দাগ নং ২৫১ এরিয়া ০.২৩ একর চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি পেটিস্নরশিংনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা নামা পানবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি লাক্লিবা তাং ১৯/৮/২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরো নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা তাররোই।

Sd/- **Asstt. Survey and Settlement Officer, Imphal East-II, Manipur**

HL-P/2611/12

ADVANCED COACHING INSTITUTE

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729

The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.

REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE (2017)
Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)

Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2017

2nd Position (Sc.2017)
R.K. Babysana

3rd Position(Sc.2017)
VICTORIA

Only 30 seats each section separated CBSE & COHSEM batches

2nd Position (Arts)
Guneshori

3rd Position(Arts)
Dholenchandra

8th Position(Arts)
Pebam

Separated boys and girls hostels, van service,morning and evening batches .For more details contact 9862992105

HL-B/4027/21-20 Aug.